## ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২: মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী চৈবী মশান্নদা মনা ফংলক্লবা শান্নরোয়শিংবু ওকপগী থৌরম অমা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওদিটোরিয়মদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌখিবা জানুৱারী ২৬ তগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী য়াস ফেন্সিং হোলদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা মংসাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং অরান্বম পুন্যবতি মেমোরিএল লোয়ননা ৩১শুবা মণিপুর ষ্টেট লেবেল চৈবী চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়ারুরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মনা লৌরক্লবা শান্নরোয়শিং, কোচ, টেক্লিকেল ষ্টাফশিং অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী থাঙ-তাগী ওজাশিং য়াওনা ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওদিটোরিয়মদা এল জয়চন্দ্র, রেজিষ্ট্রার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওকখিবা তোঙান-তোঙানবা কেটেগরিদা মনা ফংলকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি, কে জি ৫২ দগী ৫৯ ফাওবগী জুনিয়র বোইজ কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংলকখিবা থোঙাম য়াইফবা, কে জি ৫১ দগী ৫৮ ফাওবগী কাঙলূপ্তা সিনিয়র গার্লসকী গোল্ড মেদল ফংলকখিবী লাংলেন ৰাংখৈরাকপম, কে জি ৬০গী মথক্কী সিনিয়র গার্লসকী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংলকখিবী অঙোম সনাতোম্বী চনু, সিনিয়র বোইজগী কে জি ৬০গী মথক্তা সিলভর মেদল ফংলকখিবা পুখ্রম্বম রুহিচন্দ্র, সিনিয়র বোইজগী কে জি ৬০গী মথক্কী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবা সোরোখাইবম হেরা অমসুং সিনিয়র গার্লসকী কে জি ৫৫ দগী ৬০ ফাওবগী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবী অথোকপম পোইরৈঙানবীনি।

শান্নরোয়শিং অসি ডা. অহৈবম রিষিকেশ, দিপার্টমেন্ট ওফ থাঙ-তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা লুচিংখি। থৌরম মপু ওইখিবা এল জয়চন্দ্র রেজিষ্ট্রার মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা হায়খি, নৌনা হাংদোক্লিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থাঙ-তাগী দিপার্টমেন্টনা মেদল কয়া পুরকখিবা অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মায় পাকপনি। তুংদসু মেদল কয়া লৌরক্লবা থৌনা পীরমখি।

## প্রোটেষ্ট চখখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ : য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না নেসনল হায়ৱে অনীদা চখরিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা নোংমদা তঙাইফদনা শীজিন্নবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ষ্টোক ৰাৎলকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মীয়াম্না মায়োক্লবা হৌরে।

হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, মণিপুরদা তন্না মহৈরোয় ৭৫ রোম্না ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিগী কেম্পস মনুংদা ৰাকৎ-মীফম চখখ্রে। অয়ুক্কী পুং ১১ রোম তাবদা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী চানবা অতা-মোইদা ফংদবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৰাকৎ-মীফম অদু চখবনি হায়রি। মহৈরোয়শিংনা ৰাকৎ-মীফম চখবগা লোয়ননা ঈরাং থোক্লক্কে তৌবদা ইন্সটিট্যুট অসিগী ওথোরিটিনা মনাক অদুৱাইদা লৈবা আই আর বিদা পাউপীবদগী মফম অদুদা আই আর বি কাঙবু অমা লাক্তুনা মখা তানা ঈরাং অদু থোক্তনবা হোৎনখি হায়রি।

## থৌবাল হাওখাদা ঈরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ : ৰাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হাওখা কিয়াম লাই হরাউফমদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রগী ঙসি মীখলগা মরী লৈননা মীটিং অমা তৌবদা হাওখাগী অপুনবা মীয়াম্না থিংবদগী অচৌবা ঈরাং অমা থোক্তুনা অশোক-অপন য়াওনখ্রে।

মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা, থৌদোক অদু এম এল এ মেঘচন্দ্রদা লম্বী শেম্বীনবা হায়জবদা শেম্বীদবদগী পেন্দ্রবা খুঞ্জাশিংনা মেঘচন্দ্রগী মীটিং তৌবা লাকপদা অথিংবা পীরুবদগী ঈরাং অদু থোরকপনি হায়রি। মদুগী মমাঙদা অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা তাংজেংদা লৈবা শিন্মী অমনা ময়ুম মনাক্তা লৈবা দুকান অমদা ক্কা লৈবা থোরকপদা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা কৌশিল্লগা ফুরকই হায়না চার্জ তৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা শিন্মী নুপা অদুগী মমিংনা নাওরেম ননাও (২২) অপোকপা ইঙোচা কৌই। মহাক তাংজেংদা লৈবনি। মহাক্কী কোক, থবাক, পুক অমদি নঙ্গন্নচিংবদা শোকপদগী হৌজিক পোরোম্পাৎ জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

GAS TODAY
KHORIPHABA, NAMBOL
Booking Upto:27/09/2016
Valid From: 25/09/2016
Stk:306
Timing : 07:00am -09:30 am
MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:19/10/2016
Valid From: 26/09/2016
Stk:306
Timing : 07:30am -10:00 am

# মীখলগা মরী লৈননা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা মীওই ৫ শোক্লে, গাড়ী ৪ থুগায়খ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক কেন্দিদেট অনীগী ৰার্করশিংগী মরক্তা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা মীওই ৫ হেন্না শোক্লে, বোলেরো অমা য়াওনা গাড়ী ৪ রোম অকায়-অতোই থোকখ্রে অমদি ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখ্রে অমসুং পুলিসনা নুপী অনী ফাদুনা পুখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা ৰাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা থৌবাল কিয়ামদা লৈবা এম এল এ মেঘচন্দ্রগী ৰার্কর অমসু ওইরিবা এক্স-কাউন্সিল্লর য়ুম্নাম উমাকান্তগী য়ুমদা মীখলগা মরী লৈননা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা খৎনবা অমদি পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্পদা শোক্লবা মীওইশিং অদুদি তখেল্লম্বম মেমীচা (৩৫) কিয়াম ৰাংমতাবা, য়ুম্নাম বিনো (৩৬) মপুরোইবা ৰাই বসন্ত, কিয়াম অৱাং লৈকায়দগীনি। মখোয় অনী ফুরম্বদগী শোকপনি হায়না মরাল শিরি। টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্পদা শোক্লবা অদুদি লৌক্রাকপম লোইদাংচা, কিয়াম সিফাইদগীনি হায়রি। থৌদোক্তুদা মীওই ৫ হেন্না শোক্লে হায়রি অদুবু চপ চাবা মমিং-মথা অদি মশিং খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা ফাদুনা পুখ্রবা নুপী অনী অদুদি এল থাজ অমসুং এল সোনিয়া কৌই। থৌবাল কিয়াম সিফাইদগীনি হায়রি।

হান্না লেপখিবা মতমগী মতুং ইন্না এক্স-কাউন্সিল্লর অসিগী য়ুমদা ৰাংখেম ব্লোক কোংগ্রেস কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট, মুবারকনা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎলিঙৈদা এ সি অসিদা কেন্দিদেট অমসু ওইরিবা থৌবাল কিয়ামদগী হান্নগী য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম নবচন্দ্রগী মশীং য়াল্লবা ৰার্করশিং চঙশিল্লক্তুনা থৌরম অদু থুগাইরম্বদা নত্তনা থৌরম অদুবু য়াওরিবা মীওই কয়াসু ফুরমখিবনি হায়না উমাকান্তনা ফোঙদোরকখি।

এক্স-কাউন্সিল্লর উমাকান্তনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোক্লিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অসি মহাক্কী ওইনদি তৌদবা য়াদবা অমনি হায়রদুনা এ সি অসিদা কেন্দিদেট ওইরিবা ৰাই নবচন্দ্রসু লৈকায় অসিদগী ওইবনিনা মহাক্কী ৰার্করশিংনা থৌরম অসি এম এল এ য়াওহন্দনবা হায়রকপদা য়ানবগী মতুং ইন্না এম এল এ য়াওহন্দনা য়াম্না চম্না শিঞ্জবনি অদুবু মশীং য়াল্লবা ৰার্করশিং চঙলক্তুনা পোৎ-চৈ থুগাইরম্বা অমদি নুপী য়াওনা মীওই কয়ামরুম ফুরম্বনি হায়খি।

অমরোমদা, মখোয়না ঙস্মী হায়দুনা মশিং য়াল্লবা থৌবাল পুলিসকী টিমশিং কৌদুনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্পা অমদি নুপী য়াওনা মীওই কয়ামরুম ফুবা অদুগা এক্স-কাউন্সিল্লরগী য়ুমদা লৈরন্লিবশিং অদুদনা করিমত্তা তৌদবা, খুৎ অমফাওবা থাদবা অসি থৌবাল পুলিসপু পেন্দে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী থাউ পীরি, অতোংমল হেনগৎপীগনু : টি দি সী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২(ঐচ এন এস) : পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমদি কম্মর্সিএল গাড়ীশিংগী ওইনা পম্প অহুমদা দিজল থাউ লেপ্পুনা পীরি, গাড়ী অতোংমল হেনগৎপীগনু হায়না ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিল (টি দি সী)গী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

টি দি সীগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমদি কম্মর্সিএল গাড়ীশিংগীদমক কুসুম অমদি হৈরাঙ্গৈইথোং সার্ভিস ষ্টেসন ওইল পম্পদা থাউ পীরম্বা অদুগী মথক্তা লৈঙাক্লা অয়াবা পীদুনা টিদিম সার্ভিস ষ্টেসনদসু থাউ পীবা হৌরে। হৈরাঙ্গৈইথোং সার্ভিস ষ্টেসনদা বস, মেজিক, ওটো, ৰাটর টেঙ্করনচিংবা গাড়ীশিংগী থাউ পীরি। কুসুম ওইল পম্পদা বস, মেজিক, ট্রকনচিংবশিং য়াওনা পীরি। টিদিম সার্ভিসতনা ওটো অমদি মেজিক্কী পীরি। পম্প অসিদা পার্মিটকী থাউশিংসু পীরি। তোঙান-তোঙানবা লম্বীশিংগী ওইনা লৈরিবা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবশিংগী সোসাইটি অমদি এসোসিএসনশিংনা পার্মিট লৌরগা থাউ পুন্না লৌদুনা মফম চাবা য়েংলগা গাড়ীশিংদা য়েন্থোকপগী থবকসু চথরি। হৌজিক পেসেঞ্জর অমদি কম্মর্সিএল গাড়ীশিং ক্যদা লেপ্পুনা থাউ ফংহন্নবগী থবক লেপ্পুনা পায়খৎলক্লি।

থৌবালদসু পেসেঞ্জর অমদি কম্মর্সিএল গাড়ীশিংগী ওইনা থাউ য়েন্থোকপগী থবক চথরি। ককচীং মায়কৈদসু থৌরাং অসি পায়খৎপা হৌখ্রে। মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সার্ভিস তৌরিবা পেসেঞ্জর অমদি কম্মর্সিএল গাড়ীশিংগীদমক দিজল থাউ পীবগী থবক পায়খৎকনি। পেসেঞ্জর অমদি কম্মর্সিএল গাড়ীশিংগী থাউ চাং নাইনা পীনবা থৌরাংশিং লেপ্পুনা চঙশিল্লি। পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবশিংনা গাড়ী অতোংমল হেন্না লৌবীগনু। দিজল থাউ মরাং কায়না ফংহন্নবা থবকশিং পায়খৎলকখিবগা লোয়ননা চাং নাইনসু ফংবা হৌরে।


তোঙান-তোঙানবা রুটশিংদা চেল্লিবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংনা গাড়ী অতোংমল হেন্না লৌদনবা আপিল তৌরি। ট্রান্সপোর্ট সোসাইটি অমদি এসোসিএসনশিংনসু মাগী-মাগী রুটতা চেল্লিবা পেসেঞ্জর সার্ভিস গাড়ীশিংদা অতোংমল হেন্না লৌদনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অসিগীদমক গাড়ী অৱায়মল হেনগৎপীনবা লৈঙাক্তা থম্বা লৈখ্রে। অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা গাড়ী অৱায়মল হেনগৎনবগী চপ চাবা থৌরাং অদু লৌখৎপীয়ু। থা অসিগী ৬ ফাওবগী মনুংদা গাড়ী অৱায়মল হেনগৎপগী প্রোসেস অদু লোইশিনবীয়ু।

লৈঙাক্লা থোকপা এলোকেসনশিং আই ও সীগী দিপোট মেনেজরনা চপ চানা রিলিজ তৌবীয়ু। লৈঙাক্লা নুমিৎ খুদিংগী থোক্লক্লিবা এলোকেসন অদুগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। থোক্লিবা এলোকেসন অদুগী মতুংইন্না মতম চানা রিলিজ তৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

এ দি সী মীখলদা উখ্রুল অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লন্নাই গাড়ী ৰায়বগী শেনফমশিং হৌজিক ফাওবা পীথোক্তনা লৈরি। হায়রিবা শেনফমশিং অসিসু অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু। করিগুম্বা ৰাফমশিং অসি থবক ওইনা ওন্থোক্ত্রবদি ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই।

## পুলিস অমদি এক্সাইজনা য়ু লিটর ১,৬৩১ ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী পাউতাক মতুং ইন্না লাক্লিবা তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখল অসি ঈংনা-চিক্লা পাঙথোক্লবগীদমক লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্পুনা পুলিস অমদি এক্সাইজনা চথরক্লি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি এক্সাইজ কাঙবুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদগী ঙসি ফাওবগী মনুংদা ফাগৎলকপা য়ুঙাঙ অমদি য়ুঙৌনচিংবা পুন্না য়ু লিটর ১,৪১৯ রোম ঙসি বিষ্ণুপুর এক্সাইজ ওফিসকী কেম্পসতা হৈদোক্তুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

ঙসি মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা য়ুঙাঙ অমদি য়ুঙৌ পুন্না লিটর ১, ৪১৯ নি। মদুগী মনুংদা বিষ্ণুপুর পুলিসনা য়ু লিটর ২৩২ ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা মদুগী ভেল্যুনা লুপা ১৫,৬০০ রোম্নি।

নম্বোল পুলিসনা য়ু লিটর ৩২৬ ফাগৎখিবগা লোয়ননা মদুগী ভেল্যুনা লুপা ১৯,৫৬০ রোম্নি। বিষ্ণুপুর এক্সাইজনা য়ু লিটর ৩৫৮ ফাগৎখি। মদুগী ভেল্যুনা ২১,৪৮০ নি। মোইরাং পুলিসনা য়ু লিটর ৩০৫.৫ ফাগৎখি। মদুগী ভেল্যুনা ১৮,১২০ নি অমদি মোইরাং এক্সাইজনা য়ু লিটর ২০১ ফাগৎখি। মদুগী ভেল্যুনা ১২,০৬০ নি হায়রি। অদুগা অপুনবা ভেল্যুনা লুপা ৪৭,১৪০ রোম ওইগনি হায়রি।

মসিদা নত্তনা ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক সেল পুলিসনা ঙসি লমশাং কৈথেল এরিয়াদগী য়ুঙৌ লিটর ৪০ রোম ফাগৎখি। মদুগী ভেল্যুনা ৪,৮০০ লোম ওইগনি। ময়াং ইম্ফাল পুলিসনা কোনুমা ময়াং ইম্ফাল এরিয়াদগী মীওই অহুম য়ু লিটর ১৮০ ফাগৎখি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা ১০,৮০০ লোমনি হায়রি। মোরে পুলিসনা মোরে কৈথেল এরিয়াদগী য়ুঙাঙ লিটর ১০.৫ অমদি য়ুঙৌ লিটর ৪২ ফাগৎখি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা ৭,৫২০ নি হায়রি। ফাগৎলবা য়ুশিং অদু বিষ্ণুপুর এক্সাইজ ওফিস কমপ্লেক্স মনুংদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

### ফেব্রুৱারী ৩, ৪ দা পার্টি, মীরেপশিংনা...

*লামায় ১গী মখা...* হৌখিবা চহী ২গী মনুংদা পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বনা মতম চানা ইনকম টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌরকখিদে। মদুগীসু মথক্তা অপীকপা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমুক্তা ফাওবা রিটর্নস ফাইল তৌরক্তবা য়াওরি। কনাগুম্বা পার্টি খরদি চহী ২ / ৩ থেংথরগা ফাইল তৌরকপসু য়াওরি। হৌজিক্তি ফাইনান্সিএল ইয়র হেক লোইখিবগা থা ৯গী মনুংদা টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌরক্তবা য়াররোই হায়না অধিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন বজেট পুথোক্লদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙরাং হায়খিবনি মদুদি, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চেক নৎত্রগা দিজিটেল মোদতা দোনেসন লৌগদবনি। ব্লেক মনি থিংনবগী পান্দমদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা পোলিটিকেল পার্টি অমনা লুপা ২,০০০ দগী হেন্না ছোর্স অমদগী লৌবা য়াররোই। হান্নদি লুপা ২০,০০০ ফাওবা দোনেসন লৌবা য়ারম্বনি।

### লোক্তাক্তা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দেগী থৌরম...

*লামায় ১গী মখা...* লিশাং শিংনা চথরকখিবনি। লমদমসিগী মরুওইরবা কৈথেলশিং ফাওরগা চেল্লিবা তুরেলশিং, নম্বুল, মোইরাং, নম্বোলনচিংবদগী পাৎ অসিদা তারমদাইদা নীংথিনা ট্রিটমেন্ট তৌবা মথৌ তাই। তুরেলশিং অসিদা মখল কয়াগী কিনিংঙাই ওইরবা লৌফমদা চাইবা হূ চেনবা হীদাকশিং চেন্থরক্লিবনি। মসিদা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীবা মথৌ তাই।

লোক্তাক পাৎতা খুন্দারিবা মীওইশিংনা চান-থক্নরিবা অসি পাৎ অসিগী ঈশিং খক্তনি। চহীসিগী রিভর দেগী থৌরমদা ওর্গনাইজেসনশিং অসিনসু পাৎ অসিবু শেম্বগী মরমদা অচৌবা কেম্প্যেন পাঙথোক্লবা শেম-শারি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দি আই পি আরগী দিরেক্টর মেঘচন্দ্র কোংবমনা ফোঙদোকখিবদা, মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ঙামীশিংনা লোক্তাকপু কন্দুনা লাকখিবনি। পুৱারীগী ৱারীশিংদা খুদম ওইদুনা লমদমসিগী মরুওইরবা ৱারীশিংদগী পাৎসিমক মীয়াম্না লৈনরিবা কলচরেল হেরিটেজশিংগা পান্থকনি হায়বগী থাজবা লৈ। পাৎ অসিদা অশেংবা মশক অমা ওইনা ঙামীশিংসু লৈহনবনা কলচরেল হেরিটেজবু কনবা ঙমগদৌরিবনি। য়ুনেস্কোগী হেরিটেজ সাইটশিংদা মালেমগী তোপ তোপ্পা মশক অমগা লোয়ননা লৈহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। পাৎ অসিদা হি তোংদুনা লাকপদা পুং ১ হেন্না চঙলি। হায়রিবা মফম অসিদা ঙসি হাংদোক্লিবা স্কুল অসিনা মালেমগী ওইনা অতাওবা ফুমদা লৈবা অহানবা ইলিমেন্টরি স্কুল ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজগী আর্থ সাইন্সকী এসোসিএট প্রোফেসার ডা. হোমেন থাংজমনা ফোঙদোকখিবদা, দিপার্টমেন্ট কয়ানা চৈথেং পীরগসু ঙামীশিংনা হনবা লৈতনা থৌনা অমগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবসি তোপ তোপ্পা মশক অমনি। থুমহী চেন্দবা পাৎশিংগী মরক্তা তোপ তোপ্পা লৈবনা লোক্তাক পাৎনা লমদমসিবু চাউনা মশক তাক্লিবনি। পাৎ অসি মাঙখিবদা লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎ অমদি হীরম খুদিংমক্তা তুংগী মীরোলশিংদা অচৌবা চৈথেং ফংহৌগনি। লমদমসিদা লৈরম্বা তোঙান তোঙানবা পাৎশিং মাঙখিবদা মীয়ামদা চাউনা চৈথেং ফংখিবনি। পাৎ অসিবু কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্নমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ।

লোক্তাক পাৎকী অতাওবা ফুমদা হাংদোক্লিবা ইলিমেন্টরি স্কুল অসিদা ঙামী লিশিং ১ হেনবগী মচা-মশুশিং, বোর্দিংদা লৈরুবা অঙাংশিং, মহৈ-মশিন তম্বা য়ারগনি। ঙামীশিংগী মচা-মশুশিং হি তোংদুনা চৎপদা খুদোংচাদবশিং কয়াসু অনকপা মফমদা লৈবনা খুদোংচারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্সকী প্রোফেসার দল্লিয়ু বিশ্বানাথ অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

### ব্লোকেদ লোইশিনহন্নবা দিল্লিদা...

*লামায় ১গী মখা...* হায়বদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী তেংবাংগা লোয়ননা লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা মণিপুর লৈঙাক্লা ৱারী শানগনি। হয়েংগী ৱারী শানবা অসিদা ৰাখল তামিন্নরবদি থুনা ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ৱারী শানবদা য়াওগদবা ৰাক্সকী কন্মিস্নার কে রাধাকুমারনা হায়খি, গবর্ণমেন্টনা য়ু এন সীগী দিমান্দশিং অয়াবা পীদ্রি। হৌজিক্কী ওইনা য়ু এন সীগী সাইটতগী করি হায়রক্কদবা ৰাখলনা লাম্বা ঙমদ্রি। ৱারী শানরবা মতুংদদি ফজনা খঙগনি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা জুদিসল সিষ্টেমদা ব্লোকেদ অসি লোনা য়াবা থৌওং নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে অমসুং করিগী মখা চথরিবনো হায়বদু খন্নফম থোক্ত্রা হায়না হংলি।

### ঙাইহাক্কী ৱারোইশিন পুরকপা মানবা...

*লামায় ১গী মখা...* অদু মীয়াম হুপ্পা খঙহনবগী মতম অদু ওইরে। লাইবক থীবদি মখোয়না পুন্নমক অসি পুমকাও কাউথোক্তুনা ইচম চম্বা মী অমগুম অৱাংবা থাক্কী পোলিটিকেলগী ঈকায়খুন্নবা উৎতুনা মীয়াম মাঙদা লৈতেং ওইনা উহল্লি। মসিমক্তি ঐখোয়গী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

কুমজা ১৯৯২ গী মতুংদা অমুক হায়রিবা মীওইশিং অসিনা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অমদা লান্না ইনশিন্দুনা তোখায়বা চীংগী অপূনবা লম সেপরেদ টেরিটোরিএল কাউন্সীল পীবীনবা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টতা মেমোরেন্দম পীরম্বা অদু কাউফম থোক্তে। তশেংবদি মখোয় অসি ঐখোয়না লৈবাক্কী য়েক্লবা ওইনা লাউথোকফম থোকপনি। হৌজিক ওইরিবা য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অমদি মরুওই হায়না খল্লিবা শান্নগদৌরিবা ৱারী অসিদা ঐখোয়গী তেনখ্রবা মতমশিং অসিগী ৱারীশিং অসি অমুক নীংশিংদুনা ঐখোয়গী লৈজরিবা পুৱারীগী, শেন্মীৎলোনগী অমদি খুন্নাইলোনগী অশেংবা পরিং অসিবু শিংনবা য়াবা খোঙথাং অমুক হন্না তৌরোইদবনি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতম অমদি পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা পুন্না লৈবাক অসিবু ঙাকমিন্নদুনা লাক্লবা য়েলহৌমী ঐখোয়গী মরক্তা মাদি মীতোপনি, মাদি নত্তে হায়বগী ৰাফম লৈফম থোক্তে। কাঙলুপ অমগী শক তাকপদা কনাদগীসু সার্টিফিকেট লৌফম থোক্তে। মণিপুরগী শাংখ্রবা পুৱারী অসিদা অসিগুম্বা ৰাফম অমত্তা লৈখিদ্রি। য়াম্না শাংনা হঙ্গৎনা য়েংলুদ্রবসু মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি ঙসি ফাওবা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেটিব রিপোর্টশিং অমদি মণিপুর ষ্টেট দরবার প্রোসিদিংশিং অসিদা অদুমক তরং-তরং থোরক্লগনি। চীং-তম অমত্তনি হায়বসি য়েৎননিংঙাই লৈত্রবা ৰাফমনি। হায়রিবা ৰাফমশিং অসিবু কাঙলুপ-ফুরুপকী মিংদা পোলিটিক্স তৌরিবা মীওইশিং অসিনা নমশিন্দুনা থল্লি। মখোয়গী অরোনবা এজেন্দাশিং অদু লোন্না থুপ্না পাঙথোক্লবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হূ কামশিল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিবু ঐখোয়না কন্দেম তৌফম থোকই। মতম অমদা পুলিসকী য়ুনিফোর্ম লৈনবা শেলশিং মণিপুর থুগায়বা পান্থা মীওইশিংদা কনানা খুৎশিন্নখি খঙনরবা ৰাফমনি। ঙসিদি কনা অমত্তনা পন্নদ্রে হায়রি।

হৌজিক শানগদৌরিবা ৱারী অসিদা অতেনবা মতমদা য়ুম্ফম ওইবা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ৱারোইশিন মানবা মওংদা তৌদনবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা থল্লি। ইকনমিক ব্লোকেদ অসিখক লোইশিনবগী ৰাফম নত্তবীদা তুং কোয়না অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা লৈরিবা অশেংবা শক্তমশিংদা য়ুম্ফম ওইবা য়ানবা অমা পুরকপনা হেন্না তঙাইফদে। মদু নৎত্রবদি মীয়ামদি থোরকপা খুদিংমক থেংননবগীদমক শেম-শাদুনা লৈরে হায়বসি মতম চুপ্পদা কাউদবা ফৈ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা মীয়ামগী ইহুল খঙবা লৈঙাক মথৌ তারে : বিশ্বাজিৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০২ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা মীয়ামগী ইহুল খঙবা লৈঙাক মথৌ তারে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইরিবা এম এল এ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা ঙসি বোরায়াংবীদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি কুম্বী মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা হায়খি, নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক অফবা লৈঙাক মথৌ তাই। মীয়ামগী ইহুল খঙবা লৈঙাক লৈরবদি চাউখৎ লম্বীদা চঙশিনবা ঙমগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুন্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নসি।

ষ্টেট অসিদা হৌখিবা চহী ১৫ রোমদা কোংগ্রেসনা লিশাং শিংনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লি। মতম শাংনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লিবা অসিদা হীরম কয়াদা শোত্থরি। কুম্বী এ সীগী ওইনসু লম্বী-থোং, অফবা থক্লবা ঈশিং অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা য়েংলুবদা শোত্থবা কয়া লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা অওনবা লৈঙাক পুরকপা মথৌ তারে।

মীখল মতম নকশিল্লক্লবা মতমদা কোংগ্রেস পার্টিনা এন এস সী এন (আই-এম) পল্লগা ৰাফম কয়া হেক হেক ফোঙদোকপা থেংনৈ। হৌজিক ইকনমিক ব্লোকেদ চথরিবা অসিগী হৌরকফমসু করিনো হায়বদু খঙমিন্নবা তঙাইফদে।

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট ইম্ফালদা লাক্তুনা মীফমদা ৱা ঙাঙবদা মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা মাঙহল্লোই হায়না ফোঙদোক্লম্বা লৈখ্রে। বি জে পিনা লমদম অসিগী অপূনবা শক্তমগীদমক লেপ্লি। ইমা লৈবাক হায়বসি মরুওইবা অমনি হায়বসি চপ চানা খঙই। ইমা লৈবাক্কীদমক চপ চানা লেপকনি। কোংগ্রেসনা বি জে পিবু হুন্দুনা ৰাফম কয়া লেপ্পুনা ফোঙদোক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি অমদি বি জে পি কুম্বী মন্দলগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## ওর্গানিক অমদি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংদা ষ্টেট লেভেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ০২ : ওরিয়েন্টেল ৱিমেন’স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ মণিপুর অমসুং ইন্দিয়ন ফার্মরস ফর্টিলাইজরস কোওপরেটিভ (আই এফ এফ সী ও) অনীনা পূন্না শিন্দুনা প্রাইমারি এগ্রিকলচর কোওপরেটিভ টু সপোর্ট ওর্গানিক এন্দ ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং ইন মণিপুর হায়বসিদা নোংমগী ওইবা ষ্টেটকী থাক্তা কনফরেন্স অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ক্ষেত্রি শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অদু হৌদোকপগী থৌরমদা থবক্তগী পোথাখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিভ ওফিসর থৌবাল এম শ্যামকিশ্বর সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, নেসনল কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন ইন্দিয়া- প্রোজেক্ট কোওদিনেসন কন্মিটি মণিপুরগী চ্যেরপার্সন জীনা পোৎশংবমনা থৌরম মপু অদুগা থবক্তগী পোথারবা দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিভ ওফিসার বিষ্ণুপুর কে ঐচ তোম্বা সিংহ অমসুং এন সী য়ু আই- সী ঈ ঈ পি থৌবালগী প্রোজেক্ট ওফিসার টি ঐচ পহারি সিংহনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা হৌজিক্কী মতমদা ওর্গানিক্কী লৌউপথাপ শীজিন্নদুনা পোথোক পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তারে। মালেমগী ওইনসু ওর্গানিক্কী লৌউপথাপ অসিদা মায় ওনশিন্নরক্লি। থায়না মমাঙঙৈদা কাং হাৎনবা অমদি তীলহাৎ হীদাক কেমিকেলগী ওইবা মখল মখা কয়াগী হীদাক শীজিন্নখিবদগী মালেমগী ওইনা লৈবাক লৈহাওদা চাউনা অমাং অতা থোকহন্দুনা অয়িং অশা (ক্লাইমেট চেঞ্জ) গী খলদা অকায়বা পীরক্লি। অমদি মখল মখা কয়াগী থৱায় পানবা জীব কয়াসু মালেমদগী মাঙখিবা য়াওরে। অমরোমদা ওর্গানিক ফার্মিং তৌদুনা পুথোকপা পোৎথোকশিং অসিনা মীওইবগী হকচাংদা অফবা ওইবতা নত্তনা লৌমীশিংগী শেল থুমগী ফীভমদসু ফঙ্গাৎনবগী মরম ওইরি। মরম অদুনা ঐখোয় ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংদা মায় ওনশিন্দুনা হীরম কয়াদা থবক পায়খৎলবদি কোওপরেটিবকী ঈহৌদসু মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

## এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরূ ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোন্থৌজমদা লৈবা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমীদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা টোপিকতা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না কাদানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা নিংথৌজম দোরেন, ভাইস-প্রসিদেন্ট কাদা, কোন্থৌজম ওংবী ইন্দিরা, সেক্রেটরি জেনরেল কাদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটি অমদি এল ইন্দ্রকুমার, প্রিন্সিপাল ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমীনা ওইখি। গীতচন্দ্র মঙাঙ, সেক্রেটরি ফাইনান্স কাদানা ৰাঙাঙলোয় ওইনা শরুক য়াখি।

গীতচন্দ্র মঙাঙনা ফোঙদোকখিবা ৰাফম পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাদবা মহৈরোয়শিংদা কাদানা করিগী একাদেমীক এৱ্যেরনেস প্রোগাম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবনো হায়বা ৰাফম অসি অহানবা ঐখোয় চঙলকপগা খনবা ৰাখলনি। ঙসিগী ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অসি খঙনিংবা হৈনিংবগী চাং ৰাংবনা করিগুম্বা পোৎশক অমা নৎত্রগা অমবু চাংয়েং তৌবা পান্থনা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং অসিদা য়াওরিবা ফত্তবা লায়না মখল খুদিং থোকহনবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অসি কূপ্না খঙমিন্নদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদনবা তুংগীদমক খল্লগা পাঙথোকপনি।

কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা ফোঙদোকখিবা ৰাফম পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী মহৈলোয়শঙশিং খুদিংদা একাদেমীক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিং অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী অমাঙবশিং নিংথিনা ৰাখল তাহনবা তঙাই ফদবা অদু লৈবনা ঙসিগী মীৎকূপ অসিদা ঐখোয় পুন্না খন্ন-নৈনবা পাঙথোকপনি। মরম অদুনা মপালগী ফোর্স ওইনা চঙশিল্লকপা দ্রগকী প্রোব্লেম ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম পুন্নমক খঙমিন্নবা তঙাইফদবা অদুনি হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা কুমখিবা নুমিৎ অদুদগী গর্জিয়নশিংনা মঙজরিবা তুংগী অচঙবা য়ুম্বীরেল অদুমদি মীৎকুপতা মাঙখিবা হায়বসি শোইদ্রবা ৰাফমনি।

ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমী কোন্থৌজমগী প্রিন্সিপাল, এল ইন্দ্রকুমারনা হায়খি, ঙসিগী তাংলবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিদা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংনা কান্নবা লৌহৌগদৌবনি য়ুমগী অহল-লমনশিংদি ৰাখল তামিন্নবা ৱারগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক ফত্তে হায়রুবদা থোয়না তারক্তবা য়াই অদুনা মহৈরোয়শিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরোইদবনি।

### ইম্ফালদা থুংলরে...

*লামায় ১গী মখা...* টেঙ্কর ১৬, দিজল টেঙ্কর ২২, এল পি জি বুলেট ২২, এফ সী আইগী চেঙ ট্রক ৪২, সিমেন্ট ট্রক ৪৯, হীদাক লাংথক পুবা ট্রক ৪ অমসুং তোঙান-তোঙানবা পোৎ-চৈ য়াওবা গাড়ী ১৪১ নি হায়রি। গাড়ীশিং অদু ঙসি অয়ুক ইম্ফালগীদমক সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা জিরিবাম থাদোরকখিবনি। লম্বীদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদে হায়রি।

### পি ধনকুমার এন ঈ আই দি পিদা...

*লামায় ১গী মখা...* থাক্কী মহৈ-মশিন মপুং ফাহন্নবগী ৰাখল্লোনদা পার্টি অসিনা থবক তৌগনি হায়রি।

মহৈ তম্লুরবা অমদি তম্বা লোইরবা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু মাগী মাগী মহৈগী থাক্কা চান্নবা অমদি মতম অসিগী হৈথোই-শিংথোইবগী হিদান্নরিবা লম্বীশিংদা চঙগদবা স্কিলশিং হাপ্পুনা মশা মশাদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী মরূ হুন্নবগী থৌশিল য়াৎনবা মীৎয়েং থল্লি। হাংদুনা লৈরিবা লমশিংবু লৌ উবা অমদি মহৈ-মরোং থাবা য়াবা মফমশিং শেমগৎনবা অমদি লৌ উনরিবা মফমশিং, লৌ লোকপা লোইরবা মতুংদা হাংদুনা লৈরিবা লৌফমশিং, য়েল্লো রিভোল্যুসনগী খোঙহৌগা শাগোন্নদুনা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা মতেং ওইহন্নবা ৰাখল্লোনদা মীৎয়েং থম্নগা মীখল থেংনগনি হায়নসু মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০৩-০২-২০১৭, ইরাই, ফাইরেনগী ৭ নি পানবা, নুমীদাংগী পুং ১০.৫০ দগী ৮ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি কৌব্রু, নুমীদাংগী পুং ১০.৫০ দগী চীংখৈ

**মেষ** ঃ ইচা ইনাওগী নুংঙাইজবা পাউ লাকপা, লন লেপ্পা ঙম্বা, কান্নজবা লৈ।
লাল্লোল ঃ মীনা শক খঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লান্না খন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, চা চন্দন।

**বৃষ** ঃ ঙাঙখিবা ৱা পুথবা, ইচা ইনাওগা মুক্লবা, ৰাখল মফাং মফাং খনগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নীংজবা থুংগনি।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

**মিথুন** ঃ খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, লম কোয়বা চৎনিংলকপা পীগনি, শাগৈ নাতৈগী চাউখৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মপানগী থবক্তা কান্নজগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নিংদোন পোন্বা, মুক্লবা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**কর্কট** ঃ মীনা চানবীবা, নীংবা থুংবা, অকাউবা পীবা মতাংনি, পূক্লিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ অরংবা পোৎচৈদা কান্নজবা, থবক মফম চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নীংজবা থুংগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

**সিংহ** ঃ মীনা পাউথোকপা, ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, মথক থোংবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্লবা লাক্কনি, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

**কন্যা** ঃ থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা, ইমুং লাংগনি, মখা থাবা মীগা শাউনবা লৈ।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোথোক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবা থুংগনি, ঈকায় নুংশি য়ানগনি।
হকচাং ঃ উনসা, অপোম অতং লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**তুলা** ঃ পোথাফম খঙদবা, ঈকায় নুংশি য়ানগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক্কী লল্লোন ইতিক চান্নে।
পাখং-লৈশা ঃ মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরকপা, ৰাথোক চাউবা লৈ।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**বৃশ্চিক** ঃ শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি, মনিং মমাঙ চপ্পা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ চীঞ্জাক্কী থবক চান্নে, কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অশাউবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ শরূ শিংলিদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

**ধনু** ঃ নচাক নরল লাক্কনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ চিলোন্নবা, নুংঙাইজবা মতাংনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মকর** ঃ অৱা নুংঙাই য়ানগনি, মীনা পাউথোকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চান্নে।
পাখং-লৈশা ঃ ইমুংনা তাথিবা, ঈকায়বা নংগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ** ঃ নিংদোন পোন্বা লৈ, মখা থাবা মীওইদগী ঈকায়বা নংবা, লমদা চৎপা লৈ, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**মিন** ঃ শাউনিংবা পোকপা, অকাউবা পীবা, মথক থোংবগা মুক্লবা, শেল চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরু অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৰাখল লাংতক্লগনি, নীংবা থুংবা ৰাৎলি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।